# গিলগিৎ–বালটিষ্টানগী মতাংদা থোকখিবা পাকিস্তানগী ওর্দরগী মরমদা চিনানা মোত ফোঙদোকখিদ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে ২৯ :***

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শরুক অমনি হায়না ইন্দিয়ানা লৌরিবা অমসুং চিনানা লুচিংদুনা দোলর বিল্লিয়ন ৫০গী সি পি ই সি প্রোজেক্ট ফাওদুনা চৎলিবা গিলগিৎ–বালটিষ্টানবু হেন্না খুদুম চনশিন্নবা পাকিষ্টান্না হন্দক হোৎনখিবা অদুগী মতাংদা চিনানা মোত ফোঙদোক্তুনা থৈদোক্তুনা লৈখ্রে।

গিলগিৎ–বালটিষ্টান দিভিজনগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা লমদম অসিগী লোকেল কাউন্সিলদগী অহেনবা ওথোরিটি মুন্দুনা লৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর সহিদ খকান অব্বাসিদা খুদোংচাবা অমা পীরদুনা হায়রিবা লমদম অদুগী ওর্দর অমা পাকিষ্টান্না মে ২১ দা অয়াবা পীখি। পাকিস্টানগী প্রোভিন্সশিংগী মরক্তা গিলগিৎ–বালটিষ্টানবুসু প্রোভিন্স অমা ওইহন্নবা হোৎনরকপা মানবা পাকিষ্টানগী খোঙথাং অদুদা চিনানা ঙসি মোত অমত্তা ফোঙদোক্তুনা ৱাথোক অসিদগী তোঙান্না থৈদোকখ্রে। অদুম ওইনমক কম্ম্যুনিষ্ট লৈবাক অসিনা ফোঙদোকপদা লমদম অদু ফাওদুনা চৎলিবা চিনা–পাকিষ্টান ইকোনোমিক কোরিদর অদুনা কাশ্মীরগী ৱাথোক্তা লৈরিবা ফিরেপ্তা শোকহল্লোই হায়খি। চিনানা কাশ্মীর ৱাথোক অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ৱারোয়শিন পুরক্কদবনি হায়বা ফিরেপ লৌরিবনি।

কোরিদর অসিনা কিলোমিটর ৩,০০০ শাংনা নোংচুপ চিনাগী কাসগরগা পাকিষ্টানগী গ্বাদর হিথাংফমগা শম্নহল্লি। কম্ম্যুনিষ্ট চিনাগী ষ্ট্রেতেজিক্কী অচৌবা অশা মমি তারিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী শেমগৎ শাগৎলক্লিবশিং অদুনা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা লৈরিবা মরীশিংদা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা ওইহল্লি।

কাশ্মীর ৱাথোক অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ঈতিহাসিক্কী পোৎলুম অমনি। মসি ৱারী শান্নদুনা অমসুং খন্ন–নৈনরগা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোয়শিন পুরক্কদবনি হায়না চিনা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় হুৱা চুনয়িংনা ঙসি বৈজিংদা পাউমীশিংদা হায়খি।

গিলগিৎ–বালটিষ্টান লমদমশিং য়াউরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ষ্টেট অপুনবা অসি ইন্দিয়াগী থাদোক্নবা য়াদবা শরুক অমনি হায়না ইন্দিয়ানা অশেংবা ফিরেপ লৌই। সি পি ই সি অসি ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট অমসুং মীয়ামগী হিংননবগী লম্বী পীবা কো–ওপরেসন ফ্রেমৱার্ক অমখকনি। মসিনা কাশ্মীর ৱাথোক্কী মতাংদা ঐখোয়গী ফিরেপ্তা শোকহল্লি হায়বসি ঐখোয়না কয়ারক হন্না চেৎনা ফোঙদোকখ্রবনি হায়না মহাক্না হায়খিবনি।

গিলগিৎ–বালটিষ্টান লমদমগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মথক্তা পাকিষ্টান্না লাকশিন্নবা হোৎনরকই হায়দুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লম্বী লমজাউদা থোরক্তুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং পুলিসকা খূৎ থোক্নখি। লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী পোলিটিসিয়ানশিংসু লমদম অসিগীদমক কন্সটিট্যুস্নেল রাইটস দিমান্দ তৌনবা থোক্নরকখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা পাকিস্টানগী দিপ্যুটি হায়–কম্মিস্নার সয়েদ হাইদর সাহবু কৌখৎতুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর ষ্টেট পূম্বা অসিদা গিলগিৎ–বালটিষ্টান এরিয়াসু য়াওরিবনি। মসি পূম্বসি ১৯৪৭ দা তৌনখিবা এক্সেসন অদুগী মতূং ইন্না ইন্দিয়াগী থাদোক্নবা য়াদবা শরুক অমনি হায়বা খঙহনখি হায়রি।

## রোতোমেক বেঙ্ক ফ্রাউদ কেসতা প্রোব এজেন্সিনা লুপা ক্রোর ১৭৭ গী এসেটস এট্রেচ তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৯ :***

কানপুরদা লৈবা রেতোমেক গ্রুপনা লুপা ক্রোর ৩,৬৯৫ গী মীনম্বা লোন লৌদুনা শেল লান্না লৌথোকপগীদমক গ্রুপ অসিগী মথক্তা থিজিনবগী থবক চংখরিবা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট (ই দি) না লুপা ক্রোর ১৭৭ কী ওইগদবা এসেটসশিং এট্রেচ তৌরে হায়না এজেন্সি অসিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

রোতোমেক গ্লোবেল প্রাইবেট লিমিটেদ অমসুং কানপুর, দেরাদুন, অহমেদবাদ, গান্ধী নগর অমসুং মুম্বাইদা লৈবা মসিগী দাইরেক্তরশিংগী লন–থুমশিং অদু এট্রেচ তৌনবগীদমক এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা প্রিভেন্সন ওফ মণি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ) গী মখাদা ঙরাং ওর্দর অমা থোকখ্রে হায়রি। এসেটসশিং অদু শেল হুরানবগী আইন্না য়াদবা ক্রাইমগী শেন্দোংশিংনি।

এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা থিজিনবদা রোতোমেক গ্লেবেল প্রাইভেট লিমিটেদ হায়রিবা অসিনা অকক্নবা বাইয়রশিং অমসুং অকক্নবা সেলরশিং খক্তদা ললোন–ঈতিক তৌনে। অদুগা গ্রুপ কম্পনি অসিগী একাউন্টশিংদা নৎত্রগা মসিগী মপু ওইরিবা বিক্রম কোথারিনা কন্ত্রোল তৌবা মীরৈবাক্তা লৈবা কম্পেনিশিংগী একাউন্টশিংদা চাদা ১.২ দগী ২ ফাওবগী কম্মিসন ককথহৌরবা তুংদা মীরৈবাক্তা লৈবা বিনিফিসরিশিংদগী দিস্কাউন্ট তৌরবা এল সি (লেটর্স ওফ ক্রিদিট) কী শেনফম অদু অমুক হন্না ফংই হায়বা খঙখি।

হায়রিবা এল সি গী শেনফম অদুনা এফ দি আর (ফিক্স দিপোজিৎ রিসিপস) আইরন ওর লৈবা অমসুং রিয়েল ইষ্টেটতা শেন থাদবনচিংবগী অতে থবকশিংগীদমক ফার্ম অদুনা শীজিন্নে। মতৌ অসুম তৌনা ফন্দশিংবু ওন্ন–তৈননা থৈদোক্তুনা অমসুং য়েথোক্তুনা মখোয়না বেঙ্কশিংদা পীফম থোকপশিং পীখিদে।

ই দি না ফেব্রুৱারী থাদা সি বি আই গী এফ আই আর অমগী য়ূম্ফমদা পি এম এল এ গী মখাদা ক্রিমিনেল কেস অমা থাঙ্গৎখি। কেস অদু ফার্ম দাইরেক্তর অমসুং মপু বিক্রম কোথারি, মাগী নুপী সাধনা কোথারি, মচানুপা রাহুল কোথারি অমসুং বেঙ্ক ওফিসিয়েল খরগী মথক্তা বেঙ্ক ওফ বরোদানা ৱাকৎলকপদগী থাঙ্গৎখিবনি। হায়রিবা মীওইশিং অসিদনা বেঙ্ক কয়ামরুমবু ইন্টরেষ্ট য়াওনা লুপা ক্রোর ৩,৬৯৫ গী শেনফম মীনমখি। অশেংবা শেলেপনা লুপা ক্রোর ২,৯১৯ নি।

## নোংলৈ নুংশিৎতা মীওই ৪০ শিখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৯ :***

উত্তর প্রদেশ, বিহার অমসুং ঝর্খন্দগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং ব্রজ তাবদা ঙরাং য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ শিখ্রে।

শিখিবশিং অদুগী মনুংদা বিহারদগী ১৯ অমসুং থংনবা ঝর্খন্দদগী ১২ য়াওরি। মীওই ২৮ সু ব্রজ তাবদগী শোকখি। য়ু পি দা অৱাবা তারবা মীওইশিংবু কনবগী থবক চংখরি। মথংগী পূং ২৪ দা মীয়ামদা অৱা–তেংবাংগী পোৎলমশিং পীনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা খঙহনখ্রে হায়না ঙরাং নুমিদাং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (ইনফোর্মেসন) অভিনাস অৱাষ্টিনা ফোঙদোকখ্রে।

মথং পূং ২৪ দা উত্তর প্রদেশকী ময়ায় থংবা অমসুং নোংপোক থংবা শরুকশিংদা নোং–চিংগী ফিভম ফৎখিরোই হায়না মফমদুগী মেট ওফিসনা মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী অঙনবদা উত্তর প্রদেশ য়াওনা ষ্টেট কয়ামরুমদা অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ শিৎপদা মীওই ১৭০ হেন্না শিখি। য়ু পি দনা মশীং হেন্না শিখি।

## ‘বি জে পি না মীচম–মীয়ামগী সেভিংশিং মাঙহনবিরে’



কংগ্রেসকী কম্মুনিকেসন ইন–চার্জ রন্দিপ সুর্জেৱালা

***ন্যু দিল্লি, মে ২৯ :***

লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদা সি এন জি (কম্প্রেস নেচরেল গ্যাস) কী মমল কে জি ১ দা লুপা ১.৩৬ হেনগৎলকখিবদা ওপোজিসন কংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা বি জে পি দা চৈখ্রে। মীচম–মীয়ামগী ৱানা তুংশিঞ্জরকপা সেভিংশিংবু মুখৎপা হায়বসিনা বি জে পি গভর্ণমেন্টকী অমত্তা ঙায়রবা এজেন্দা ওইরে হায়না ঙরাং কংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুমিদাংদগী দিল্লিদা সি এন জি গী মমল কে জি ১ দা লুপা ৪১.৯৭ য়ৌখ্রে হায়না ইন্দ্রপ্রস্থ গ্যাস লিমিটেদনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

অসুম্না মমল হেনগৎলকখিবা অসিগী পাউখুম পীরদুনা কংগ্রেস পার্টিগী কম্ম্যুনিকেসনগী থবক পুরিবা রন্দিপ সুর্জেৱালানা হায়খি, মখোয়না থংন–থংননা নুমিৎ ১৫ নি পেট্রোল অমসুং দিজনগী মমলশিং তাংখৎহন্দুনা অচম্বা মীয়ামগী ফুরিৎখাউ য়ুহল্লে। মদুগী মথংদা হৌজিক অমুক সি এন জি–পি এন জি গী মমলশিং তাংখৎহনখ্রে।

অচম্বা মীয়ামগী ৱানা তাঞ্জরগা তুংশিঞ্জবা শেনফমশিংবু মুখৎপা হায়বসি বি জে পি গী অমত্তা ঙায়রবা এজেন্দা ওইরে, দিয়ার মোদিজি, ওক্লে পেল্লে হায়না কংগ্রেসকী কম্ম্যুনিকেসন ইন–চার্জ অসিনা মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী রুপিগী মমল হন্থরকখিবা অমসুং নেচরেল গ্যাসকী মমল তাংখৎলকখিবা মরমদগী মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা সি এন জি রো মেতরিয়েলগী মমলসু ৱাংখৎলকপা মরমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সি এন জি গী মমল তাংখৎলকখ্রবসু পাইপ কুকিং গ্যাস নৎত্রগা পাইপ নেচরেল গ্যাস (পি এন জি) গী মমলদি রিভাইস তৌদ্রি।

ইন্টর্নেস্নেলগী মমলদা ৱাংখৎলকখিবনা থোকহল্লিবা পেট্রোল অমসুং দিজনগী মমল ৱাংখৎলিবা অসি কোকহন্নবা অশাংবা মতমগী সোল্যুসন অমা ফংনবা গভর্ণমেন্টনা অসিনা থৌরাং তৌরি হায়না য়ুনিয়ন ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধানা হায়খ্রে।

## মীওই ক্রোর ১২ দা মুদ্রা লোন পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৯ :***

মমাঙদা অমুক্তা গভর্ণমেন্টকী ফন্দ ফংজদবশিংগী ফন্দ পীবগী গভর্ণমেন্টকী স্কিমগী শরুক অমা ওইনা বেঙ্ক অমসুং ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিংনা বেনিফিসরি মীওই ক্রোর ১২ দা লুপা ক্রোর লাক্ষ ৬ কী মুদ্রা লোনশিং পীখ্রে হায়না ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

স্কিম অসিগী বিনিফিসরিগা ৱারী শান্নবদা মহাক্না হায়খি, বিনিফিসরি ক্রোর ১২ দুগী মনুংদা চাদা ২৮ নৎত্রগা ক্রোর ৩.২৫ দি মমাঙদা লোন অমত্তা ফংখিদ্রিবা ইন্টরপ্রিনরশিংনি। চাদা ৭৪ নৎত্রগা ক্রোর ৯ নুপীশিংনি অদুগা চাদা ৫৫ না সেদুল কাষ্ট, সেদুল ত্রাইবনি।

নন–কোর্পোরেট, নন–ফার্ম স্মোল/ মাইক্রো ইন্টরপ্রাইজেসশিংদা লুপা লাক্ষ ১০ ফাওবগী লোনশিং পীনবগীদমক ২০১৫ গী এপ্রিল ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রধান মন্ত্রি মুদ্রা যোজনা (পি এম এম ৱাই) হৌদোকখিবনি হায়রি।

## বেঙ্কর লাক্ষ ১০ না ঙসিদগী ষ্ট্রাইক তৌরগনি

***চেন্নাই, মে ২৯ :***

ইন্দিয়ান বেঞ্চ এসোসিয়েসন (আই বি এ) না তবল চাদা ২ হেনগৎলগনি হায়খিবদু থবক ওইনা করিমত্তা তৌরক্তবদগী হয়েং মে ৩০ দগী নুমিৎ নীনি ফাওবা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেৎ সেক্টরশিংদা লৈরিবা বেঙ্কর লাক্ষ ১০ হেনবনা ষ্ট্রাইক চংখরগনি হায়না ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন (এ আই বি ই এ) গী লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্ট্রাইক অসি য়ুনিয়ন মাপলগী অমব্রেলা বোদি অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স (য়ু এফ বি য়ু) না লুচিংগনি। বেঙ্করশিংনা মখোয়গী তলবশিং মতম ওন্না রিভাইস তৌনবা দিমান্দ তৌদুনা ষ্ট্রাইক চঙশিনবনি। তলব রিভাইস তৌবা অসি ২০১৭ কী নভেম্বর ১ দগী পুখদুনা লাক্লিবনি।

ঐখোয়না হৌজিক ষ্ট্রাইক তৌনবা লাওরিবা খোল্লাও অসিদগী হন্দোকপা হায়বসি মতম থেংমনখে। শুপ্নগী চাদা ২ হেনগৎনবা হায়খিবা অদুদগী খরা হেন্না হেনগৎনবা ঐখোয়না ইন্দিয়ান বেঙ্কস এসোসিয়েসন্দা হান্ননা হায়জখ্রবনি। স্কেলস ৪–৭ গী বেঙ্ক ওফিসারশিংগীদমকসু ৱেজ নেগোসিয়েসন তৌরিবদুদগী তোক্তনবা আই বি এ দা হায়জখিবনি অদুবু করিমত্তা তৌরখিদ্রে হায়রি।

## সমিটকী মাঙওইননা মকোক থোংবা নোর্থ কোরিয়ান জেনরেল য়ু এস তা চৎপগী লম্বীদা লাকখ্রে



***ৱাশিংটন, মে ২৯ :***

য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা সিঙ্গাপোরদা জুন ১২ দা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম থাদোকহন্নবগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নগদবা ইতিহাসিক ওইবা ৱারী শান্নগদবা অমগী মাঙওইননা নোর্থ কোরিয়াগী মকোক থোংবা জেনরেল অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা চৎপগী লম্বীদা লাকখ্রে হায়না ঙসি এজেন্সিগী পাউশিংনা হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগী ভাইস চিয়ার্মেন, জেনরেল কিম য়োং চোলনা য়ু এস তা চৎলিবা খোঙচৎ অসিনা চহী কয়ামরুমগী মনুংদা হায়েষ্ট–প্রোফাইল খোঙচৎ ওইরগনি।

মকোক থোংবা নোর্থ কোরিয়ান ওফিসিয়েলনা য়ু এস কী খোঙচৎতা লাকখিবা অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু চুম্মী হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে। নোর্থ কোরিয়াগা চংখগদবা ঐখোয়গী ৱারী শান্নবা অদুগীদমক ঐখোয়না অচৌবা টিম অমা পুনশিন্দুনা থল্লে। মীফম অদুগী অমসুং অতে কয়াগী মরম খন্ননবা হৌজিক মীফমশিংদু পাঙথোক্লি।

নোর্থ কোরিয়াগী ভাইস চিয়ার্মেন কিম য়োং চোলনা হৌজিক ন্যুয়োর্ককী লম্বীদা লাকই তাবদা নুংঙাই ঐগী চিঠিগী চপ চাবা পাউখুমনি। নহাকপু থাগৎচরি হায়না ট্যুটরদা প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা ইখি।

জেনরেল চোলনা ঙসি বৈজিং এয়ারপোর্টতা থুংলখি অমসুং চিনাগী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নরবা তুংদা হয়েং ন্যুয়োর্কতা চৎখিগনি হায়না দিপ্লোমেটিক্কী লীখুনশিং পল্লদুনা সাউথ কোরিয়াগী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

ফিলিপন্সতা ৱাসিংটনগী এম্বেসেদর ওইরিবা সুং কিম না লুচিংবা য়ু এস নোগোসিয়েটরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা কোরিয়া অনীবু খাইদোক্লিবা পানমুনজোমদা নোর্থ কোরিয়াগী নেগোসিয়েটরশিংগা হান্ননা উন্নখ্রে। মসিদসু নত্তনা ইতিহাসিক ওইরবা সমিট অদুগীদমক থৌরাং তৌননবা হ্বাইট হাউস ওফিসিয়েলশিংগী তোঙানবা টিম অমসু সিঙ্গাপোর তম্না চৎখ্রে হায়না য়ু এস কী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

কোরিয়া ইন্সটিট্যুট ফোর নেস্নেল য়ুনিফিকেসন্দা এনালিষ্ট অমা ওইরিবা চুং সুং–য়ুন না ফোঙদোকপদা ২০০০ দা য়ু এস প্রসিদেন্ট বিল ক্লিন্টনগা নোর্থ কোরিয়াগী ভাইস মার্সেল জো ময়োং রোক কা উন্নখিবা অদুগী মতূংদগী য়ু এস কী লৈমায়দা খোঙদারকপদা জেনরেল কিম য়োং চোলনা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা নোর্থ কোরিয়ান ওফিসিয়েল ওইরগনি হায়খি।

জেনরেল অসি নোর্থ কোরিয়াগী লীদর অসিগী ওইনা মতম শাংনদগী রাইট হেন্দ মেন ওইদুনা লাক্লি। চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিন পিং উন্নবা কিম জোং উন না হন্দক চিনাদা চৎখিবা খোঙচৎশিংদসু মহাক য়াওখি। পিওংয়াংদা মহাক্না য়ু এস কী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিয়োগসু ৱারী শান্নখি।

খোঙচৎ অসিদা কিমগা ফম মান্নবা য়ু এস কী ওফিসিয়েলদি পোমপিয়োনি অদুবু মহাক্না নেস্নেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোলটোনগা উন্ননবসু হোৎনগনি অদুগা করিগুম্বা ওইথোক্লিংঙাই লৈরবদি প্রসিদেন্ট ট্রম্পকা ফাওবা উন্নরবা য়াই হায়না এনালিষ্ট চুং সুং–য়ুন না পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী ৱাতরস পার্টিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী ভাইস চিয়ার্মেননা মাগী ওফিসিয়েল টাইতল ওইবা জেনরেল কিম মিলিটরি অমসুং সিভিলিয়ান ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংদা থবক তৌরকখ্রে অমসুং সাউথ কোরিয়াদা য়াম্না ৱাথোক লৈবা মীওই অমনি হায়রি।

## গজাদগী খা থংবা ইজরেলদা মোর্টার কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে

***জেরুসালেম, মে ২৯ :***

ইজরেলগা পেলেষ্টিনিয়ানগা তায়নবা ঙমখৈদা উংখৎনবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা গজা ষ্ট্রিপতা লৈবা পেলেষ্টিনিয়ান মিলিটেন্টশিংনা ঙসি খা থংবা ইজরেলদা মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে হায়না ইজরেলগী আর্মিনা হায়রি।

মফম কয়ামরুমদা মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। অদুবু মখোয়দু অয়াম্বনা ইজরেলগী আইরন দোম এরিয়েল দিফেন্স সিষ্টেমনা মরক থত্তুনা থুগাইখি হায়না আর্মিনা হায়খি।

থৌদোকশিংদুগী মতাংদা পুলিসনা ফোঙদোকপদা মোর্টার অয়াম্বা অহাংবা মফমশিংদা তারকখি। মরম অদুনা অশোক–অপন অমত্তা থোকখিদে। এটেক চংখনবগী পান্দমদা ঙমখৈগী ফেন্সিংদা চঙশিল্লকপা পেলেষ্টিনিয়ান অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইজরেলগী টেঙ্কনা কাপ্তুনা হাৎখি। মদুগী নোংমগী মমাঙদা ইজরেলগী টেঙ্কনা পেলেষ্টিনিয়ান মিলিটেন্ট গ্রুপ ইস্লামিক জিহাদকী ওবজার্ভেসন পোইন্ট অমদা নোংমৈ কাপশিনখি। মদু ঙমখৈগী ফেন্সিংদা এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা থমজিল্লম্বগী পাউখুমদা চংখিবনি। গ্রুপ অদুগী মেম্বর অহুমসু হাৎখি।

ঙসি ইজরেলগী মেদিয়ানা ফোঙদোকপদা ঙসিগী মোর্টার এটেকশিং অদু ইজরেল টেঙ্কনা মীওই হাৎখিবগী ইস্লামিক জিহাদনা পাউখুম ওইনা চংখিবনি।

মার্চ ৩০ গী মতূংদগী থোকখিবা চয়োল কয়াগী ইরাংদা য়ামদ্রবদা পেলেষ্টিনিয়ান ১২১ হাৎখ্রে। মদু পেলেষ্টিনিয়ানশিংনা ইজরেল মনুংদা লৈরিবা মখোয়গী ইতিহাসিক ওইবা ময়ূম লমদমশিংদা হনবা য়াহল্লু হায়না খোল্লাও লাওরকপদগীনি। শিখিবা মীওইশিং অদু অয়াম্বনা ঙমখৈ পরীংদা চংখরকপা প্রোটেষ্টশিংদা হাৎখিবনি। মে ১৪ দা চংখরকখিবা প্রোটেষ্টতা য়ামদ্রবদা পেলেষ্টিনিয়ান ৬১ হাৎখি।

## দিল্লিগী মলভিয়া নগরদা মৈ চাকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে ২৯ :***

ঙসি নুমিদাংৱাইরম ন্যু দিল্লিগী মী কুংনা খুন্দাবা মলভিয়া নগরদা রবর গোদাউন্দ অমদা মৈ চাক্লকখ্রে। মৈ চাকপগী অথাবা অমুবা মৈখুশিং অদু খা নোংপোক দিল্লিগী মফম অয়াম্বদগী উবা ফংখি।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকপা মৈ চাকপা অদু রবর ফেক্টরি মনুংদা ট্রক অমদগী চাকপা হৌরকখিবনি অমসুং পূং ৫ রোম তাবদা মৈ চাকপদু শন্দোরকখি হায়খি।

মৈ চাকপদু খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কীনি অমসুং মদু মুখৎনবা মফম অদুদা ফাইয়ার দিপার্টমেন্টনা ফাইয়ার ইঞ্জিন ৩০ হেন্না থাজিনখি। মফমদুগী লম্বীশিং অদু য়াম্না পীকপা অমসুং মী চিনবনা মরম ওইদুনা ফাইয়ার ইঞ্জিনশিং অদুনা মফমদু য়ৌনা চঙশিন্নবা হোৎনবদা অরুবা ওইখি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি। ফাইয়ার ফাইটর অমা শোকখি।

মৈ চাক্লিবা গোদাউন ফেক্টরি অদুদগী অনকপদা লৈবা মফমশিংদা মৈ চাকপদু শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ফাইয়ার দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

মৈ চাকপা অদু হান্ননা থংনবদা লৈবা রেসিদেন্সিয়েল বিল্ডিংদা শন্দোকখ্রে, অদুবু বিল্ডিং অদু অহাংবনি হায়রি। গোদাউন অদুগী অকোয়বদা লৈবা বিল্ডিংশিংদগী মীওই পূম্বা থাদোক্তুনা চৎহনখ্রে অমসুং হৌজিক মফম অদু মী চঙহন্দনা থিংদুনা থল্লে। গোদাউন অসি সন্ত নিরনকারি পব্লিক স্কুলগা য়াম্না নক্লে। অদুবু মতমদুদা স্কুলদুসু পুংহাং হাংখি। অশোক–অপনগী পাউদি লৈত্রি হায়রি।

## নোংপোক আফগনিষ্টান্দা মীচম ৯ শিখ্রে

***জালালাবাদ, মে ২৯ :***

আফগনিষ্টানগী মফম কয়ামরুমদা খূৎ থোক্নবা মখা চংখরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা নঙ্গরহার প্রোভিন্সতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নুমিদাংদা চংখবা ওপরেসন অমদা ঙরাং অথেংবদা য়ামদ্রবদা মীচম ৯ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

হৌখিবা থাদগী টলিবাননা মখোয়গী চহীগী ওইবা স্প্রিং ওফেন্সিব চংখবা হৌখি। মদুদগী সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্নবা হেনগৎলকখিবনি হায়না প্রোভিন্সিয়েল গভর্ণরগী ওফিসনা হায়খি।

### GAS TODAY

**Lambodara Indane**
Booking : 15/05/18
Valid : 04/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 07/04/18
Valid : 06/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 24/05/18
Sl. No. 15050
Valid : 01/12/17
Stk : 306/19kg 95
Delivery at Heinoupok Godown

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 10/04/18
Valid : 02/03/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 18/04/18
Valid : 17/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 30/04/18
Valid : 26/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 24/04/18
Sl. No. 8160
Valid : 20/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 03/05/18
Valid : 02/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane**
Booking : 02/05/18
Valid : 24/04/18
Stk : 558
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 23/04/18
Sl. No. 215984
Valid : 17/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 18/04/18
Valid : 16/04/18
Stk : 306
Sl. No. 5481 upto 6060
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 30/05/18
Valid : 29/03/18
Stk : 100
Time : 06.30 to 08.30 a.m

**RBD Gas**
Booking : 17/04/18
Valid : 07/04/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 01/05/18
Valid : 26/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 12/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 550
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 24/04/18
Valid : 17/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

### সনা–সুদোকু –১১৮১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 3 | 4 | 1 | 7 | 5 | 2 | 9 | 8 |
| 1 | 2 | 7 | 4 | 9 | 8 | 5 | 6 | 3 |
| 8 | 5 | 9 | 3 | 6 | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 7 | 8 | 3 | 5 | 1 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 5 | 6 | 2 | 9 | 3 | 4 | 8 | 7 | 1 |
| 9 | 4 | 1 | 8 | 2 | 7 | 6 | 3 | 5 |
| 2 | 9 | 8 | 6 | 5 | 3 | 7 | 1 | 4 |
| 3 | 7 | 5 | 2 | 4 | 1 | 9 | 8 | 6 |
| 4 | 1 | 6 | 7 | 8 | 9 | 3 | 5 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1182**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | | | 4 | 9 | |
| | | | | 8 | 1 | 7 | | |
| | | 6 | 5 | 7 | | | | |
| | | 8 | | | | | | 5 |
| | | 7 | | | | | | 4 |
| | | | | | 4 | | 3 | 1 |
| | 1 | | | | | | | |
| | 6 | | 9 | 2 | | 5 | | 7 |
| | 9 | | | | 3 | 6 | 8 | |


RESONANT TUTORIALS
Imparting Light to Medical Aspirants
SL/Bill (upto 12 June)
ADMISSION OPEN
Regular Course for Medical Entrance Exam
NEET (UG) - 2019
Class Commence : 21st June, 2018
Last Date of Admission : 19th June, 2018
Separate Section For Purely English Medium.
Hostel facility for Boys & Girls.
For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank
Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.